ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ফেব্রুৱারী ২১, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৩২৬শুবা মশীং

# দি এ/দি আর হেনগৎহনখিবা

## *লোক সভা মীখলগী য়েংলগা লৌখৎলকপা থৌরাংলা*

*হৌখিবা* নিংথৌকাবা নুমিৎতা মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী, পেন্সনর অমসুং ফেমিলি পেন্সনরশিংগী দিয়রনেস এলাৱেন্স অমসুং দিয়রনেস রিলিফ হেনগৎপগী ৱাফম লাউথোকখ্রে। প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স) রাকেশ রঞ্জননা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ১ দগী পারগা চৎনবা হৌগদবা দি এ/দি আর অসি বেসিক পে/পেন্সন/ফেমিলি পেন্সনগী চাদা ১৩১ ওইরম্বদগী চাদা ১৩৮ দা হেনগৎলগনি। কুমজা ২০১৯গী মার্চ ১দগী পারগনা চাদা ১৩৮দগী চাদা ১৪১দা হেনগৎলগনি হায়রি। দিয়রনেস রিলিফ হেনগৎপগী থৌওং অসি মশাগী চহীদা য়ূম্ফম ওইরগা এদিসনেল বেসিক পেন্সন/এদিসনেল ফেমিলি পেন্সনগী মতুং ইন্না পীগনি হায়নসু প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স)কী ওফিস মেমোরেন্দমনা ফোঙদোকখি। লৈঙাক্কী থবক তৌবা ফেমিলি পেন্সনর, রি-ইমপ্লোইদ পেন্সনর অমসুং পেন্সন অনী ফংবা মীওইশিংগী ওইনদি দিয়রনেস রিলিফতা অহোংবা লৈরোইদৌরি। ওল্ড এজ পেন্সন, পোলিটিকেল পেন্সন নৎত্রগা মান্নবা মখলগী অতৈ পেন্সনশিংদসু দিয়রনেস রিলিফ হেনগৎলোই হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিগী ওফিস মেমোরেন্দমনা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, য়ুনিয়ন কেবিনেটনা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ১ দগী পারগা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী দিয়রনেস এলাৱেন্স অমসুং পেন্সনরশিংগী দিয়রনেস রিলিফ চাদা ৩ হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। দি এ অমসুং দি আর চাদা ৯ ওইরম্বদগী চাদা ১২ দা হেনগৎহনগদৌরিবা থৌরাং অসিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী অমসুং পেন্সনর ক্রোর অমা হেনবদা কান্নবা ফংহনবগা লোয়নননা লৈঙাক্কী শেনগাওদগী লুপা ক্রোর ৯,০০০ অহেনবা শেনফম ওইনা চাদিং তৌহল্লগনি। মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ) লৈঙাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী দি এ চাদা ২ হেনগৎহনখিবনি। মদুগী মমাঙদনা কুমজা ২০১৮গী মার্চতা ৭শুবা পে কম্মিসনগী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না ইমপ্লোয়ীশিংগী দি এ চাদা ৫ ওইরম্বদগী চাদা ৭ তা হেনগৎহনখি। থৌরাং অদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী লাখ ৪৮.৪১ অমসুং পেন্সনর লাখ ৬১.১৭ তা কান্নবা ফংহনখি।

লোক সভাগী মীখল নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা ভোটরশিংগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমগদ্রা নৎত্রগা ঙম্লোইদ্রা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগা দি এ/দি আর হেনগৎপগী থৌওং অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্তা অচৌবা পোৎলুম অমা শোয়দনা পীরগনি হায়না থাজনরি। মীখলগী মতাংদদি তোঙান-তোঙানবা এজেন্সীশিংগী ওপিনিয়ন পোলদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা মমাঙগী মতৌগুম তরাই-তরাই মায় পাকপা ঙমগদবা মান্দে হায়বা রিপোর্ট পীরি। টাইমস নাও-ভি এম আরগী ওপিনিয়ন পোলনা হায়, ঙসিমক লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপা মতমদা এন দি এনা মাঙজিল থারগসু সিম্পল মেজোরিটি ওইগদবা সীট ২০ লোম ৱাৎপা য়াই। তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওই ১৫,৭৩১গী মোত লৌরবা মতুংদা ফোঙলকপা ওপিনিয়ন পোলগী রিপোর্টনা হায়, ঙসিমক লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপা মতমদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা সীট ২৫২, কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এনা সীট ১৪৭ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ১৪৪ ফংদুনা হঙ পার্লিয়ামেন্ট ওইগনি। লোক সভাগী সীট মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা উত্তর প্রদেশতা বি জে পিনা ফংবা ভোট চাদা ৪.৪ হন্থরক্তুনা অপূনবা সীট ৮০গী মনুংদা শুপ্ন গী সীট ২৭ খক ফংবা য়াই হায়রি। ষ্টেট অসিদা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিগী এলাইয়ন্সনা সীট ৫১ ফংলগা কোংগ্রেসনা সীট ২ খক ফংবা য়াই হায়নসু টাইমস নাও- ভি এম আরগী ওপিনিয়ন পোল রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। অমরোমদা, ইন্দিয়া টি ভি-সী এন এক্সকী ওপিনিয়ন পোলনা হায়, ঙসিমক মীখল পাঙথোকপা মতমদা এন দি এনা লোক সভাগী অপূনবা সীট ৫৪৩গী মনুংদা লৈঙাক পায়বা য়াবগী সীট মশীং ২৭২ য়ৌগদবা ১৫ ৱাৎনা ফংগনি। পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫৪৩ মক্তা পাঙথোকখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়, এন দি এনা সীট ২৫৭ ফংবদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ (এস পি অমসুং বি এস পি য়াওদনা)না সীট ১৪৬ ফংগনি। হন্দক্কী মীখলদা বি জে পিনা মুস্লিমগী ভোট ফংবগী চাং হন্থগনি হায়না ইন্দিয়া টি ভি-সী এন এক্সকী ওপিনিয়ন পোলনা ফোঙদোক্লি। লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোকপা ওপিনিয়ন পোলগী রিপোর্টনা হায়, এন দি এনা অপূনবা ভোটকী চাদা ৩৭.১৫, য়ু পি এনা চাদা ২৯.৯২ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা চাদা ৩২.৯৩ ফংগনি। লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা বি জে পিগী ফীভম শোকচিল্লগসু মণিপুরদা সীট ২ অমসুং অসামদা সীট ১২ ফংগনি হায়রিবা ওপিনিয়ন পোলগী রিপোর্ট অসি কদায় ফাওবা চুম্বা নৎত্রগা লানবা হায়বদুদি মীখল লোইরগা খঙবা তাবনি।

## *••• এদিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### রাইটস খঙবগা লোয়নননা দ্যুটিসু খঙসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লৈঙাক্না লায়রবশিংগী তেংবাঙনি হায়দুনা লোন পীবদা লোন ফংলিবা লোনি অদুনা পুন্সিগী চাওখৎনবা শিন্থা অমদা চেকশিন্না হোৎনদুনা লোন অদুসু শিংননবা হোৎনবগা লোয়নননা মাগী চাওথোক্নবা অমদি চাওখৎনবা পীরিবা শেনফমশিং অদু শীজিন্নবদা মাগী মখাদা থবক শূবা ঙম্বা কয়াগসু থমদুনা মশাগী কান্নবতা নত্তনা মীওই খরদসু কান্নহনবা ঙম্বা হায়বসিগী পান্দমদা লৈঙাক্না অমদি বেঙ্কনা লোন কয়া পীরিবনি। অদুবু অপংবা লোনি কনাগুম্বনা ৱাখল অদু থেনবনা ফংলক্লিবা লোনগী শেনফমশিং অদু মাঙ-তুংগী খন্দনা চাওখৎনবা অমদি চাওথোক্নবদি শিন্দনা মদুগী মহুত্তা নোংমা নীনিগী নৎত্রগা নুমিৎ তরানি-কুন্নিগী মনুংদা মরম ইচা চাদবদা চাদিং তৌদুনা লোইশিনবা য়াওনদবসু নত্তে। বেঙ্কনা মখোয়দা সবসিদিগা লোয়নননা পীরবদু অমুক শোয়দনা শিংগদবনি হায়বসি কাউনবগুম মঙোন্দা পীরক্লিবা লোনগী শেনফমশিং অদু অরেম্বদা নাকল অমদা মীগী তোল্লিবা শেনফমশিং শিংদোকপা, গাড়ী মচা, টি ভি, টেপ, ফোন অমদি মফি-মরোল, উপু-কাংথোল, লকজরিগী ওইবা পোৎলমশিং লৈবা অমদি অতৈ কান্নরোইদবা থবক্তা শীজিন্নবসু য়াওদবা নত্তে। মদুনা মাগী মথৌ অদুদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদবদগী লোন শিংননবা হোৎনবদা শেল অমুক পুরগা শিংলকপদগী শেন্দোলনা খ্বাঙ কোয়রকপা অমসুং মাগী মথৌদুসু শিথরকপা হায়বসি য়াওনদবা নতে। মমৈথংদা অদুগুম্বশিং অদুগী মরক্তা মশানা মাঙগী-তুংগী খন্দনা তৌরিবা ৱাখল অঙাওবা অদুগী তুংইন্না ময়ূম মকৈ, মাল-চাং য়োনবগী ফীভমসু য়াওনরি।

মতৌ অসুম্না ৱাখল থেনবদগী অপংবা মীওইশিং কয়ানা লায়রবা হায়বদু ওইহল্লি। লায়রবা মীওই অমা ওইবদগী মশাগী হিংননবগী লম্বীদা লোন পীথরক্লিবা অদুনা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদ্রবদি চাওখৎলকপদি লায়রদুনা হান্নগুম লায়র-চুদৎনবা হায়বদু অদুমক ওইহল্লি। লোয়নননা লোন পীরিবা বেঙ্ক অদুনসু মদুগুম্বা মতৌ অদুনা মঙোন্দা অমুক হন্না লোন পীনীংদবতা নত্তনা চল্লবা মীচম মীয়ামসু থৌদৌ অদুগুম্না তৌরক্কদ্রা চিংনবদগী লোন পীনিংদবগী ৱাখল পোকহল্লি। মরম অসিনা লৈঙাক্না মঙোন্দা পীরিবা লোনগী শেনফম অদুনা মহাক্না হৈশিংনা অমদি চেকশিন্না শীজিন্নরবদি লাইর-চুদৎনবা মী অমা ওইরম্বদগী মীয়াম্না শকখঙনবা শিন্মী নৎত্রগা স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রি অমগী মপূ ওইরক্কদৌরিবনি হায়বসি লোন লৌরিবা মীপূম খুদিংমক্না কাউফদে।

অসিগুম্বা থবক থৌওং কয়া কাঙলোন চুম্না তৌরবদি মতুং তারকপদা বেঙ্কনা থাজবা লৈবদগী মথং মথং লোনগী শেনফম পীথরক্কনি। মসিনি রাইটসু খঙবা দ্যুটিসু খঙবা সিটিজন অমা ওইবগী মথৌ হায়নরিবসি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

# ঐগী লৈতাদ্রবা পূক্নিং

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

*ঙসি* নৎত্রগা হৌজিক অসি ঐগী পূক্নিং অঙকপা ফংনা লৈতাদে। হংবীনীংগনি- করিগীনো? ঐগী শোকচিল্লবা ইকোনোমি'সিগী তম্বা ঙমদ্রবা তুংলমচত্তুগী নৎত্রগা থবক ফংদ্রিবা ইচাশিংসিনা হয়েং করি তৌহৌগদগে খল্লুবদা নত্তে। ঙসিফাও পুক থন্না চাবা ফংদ্রবা হয়েংদি করি চাগনি হায়বগী লৈতাদবা, অদু য়ৌনা শোকচিল্লবা ইকোনোমি অদুসু নত্তে। সনা, লুপা, লন-থুম চীংগুম ৱাংনা পৈদুনা, হুরানবনা ঙসি হুখ্রবদি নৎত্রগা নেচরেল কলামিটি অমদা মরূ ফংনা মাঙখ্রবদি হায়বগী লৈতাদবা পূক্নিংদুসু নত্তে। করিগুম্বা থোইদোক হেন্দোকপা অপাম্বা পোৎশক নৎত্রগা মিংচৎ অমা ফংলরোই খনবগী অৱাবদুসু নত্তে। থৱায় অসি কনাগুম্বা অমনা লৌরগনি হায়না কিহল্লকপগী অকিবদুসু নত্তে।

অদুদি, করিগীদমক পূক্নিং লৈতাদবনো? করিগী থৱায় ৱাবনো?

খঙদে - ঐগী ৱাসি তারগা, অদোম্না করি খনগদগে। হায়রকপসু য়াই - ওইদবা তাৎ অমনি, হায়শিন্নরিবনি। অচুম্বনি হায়না লৌবীরগনা হায়রক্কনি - ঙাওরেদনা নহাক্তি। মদুদি, অতৈ করিসু নত্তে - ঐগী নুপীগী পূক্নিংগা ইশামক্কী পূক্নিংগা মান্নদবা অসিনি। নাগাশিংগী পূক্নিংগা মীতৈশিংগী পূক্নিংগা মান্নরমদবা অসিগীনি। চীংমীশিংগী পূক্নিংগা তম্মীশিংগী পূক্নিংগা খেন্নরম্বা অসিগীনি। মীতৈশিংগী মরক্তসু সেদ্যুল ত্রাইব ওইনীংবা কাঙবুগা ওইনীংদবা কাঙবুগা য়ানদ্রিবা করিগীনো? পূক্নিং মান্নদবদুননি।

অসুম্না ককঙাওনরিঙৈসিদা অমুক হাপচিল্লকই - কোংগ্রেসমেনগী পূক্নিংগা বি জে পি'দা থাজবা কাঙবুগা, লৈপাক অমত্তদা লৈমিন্নরগা, লৈপাকসিবু চপ মান্নবা নুংশি হায়রগা, অমনা অমদা 'লৈপাক মাঙহল্লে' মরাল শীনরিবা করিগীনো? পূক্নিং মান্নদবদগী। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়না খঙনবা লমসিদা লৈরিবা মীয়ামসিনা 'সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল'বু অদুকয়াম' থম্মোয় শোক্না য়াদ্রগা ফাইনান্স মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর'নদি বিল অসিবু অদুক পামজখিবা - পূক্নিং অনীগী খেন্নবা মতৌদু কন্না ঙকচানরিঙৈ, কাশ্মীরি নহা অমনা মশামক্কী পুন্সিগা সী আর পি এফ'কী জৱান ৪০, অতোপ্পা মীওই ৪গী পুন্সিগা ওন্নখি। নহাদুগী পূক্নিংদুনা কমদৌরিবা?

আমেরিকাদা, য়ুরোপ'তা, আফঘানিষ্টান'দা মশীং খঙদ্রবা মীওই কয়া হাৎখিবা ওসামা বিন লাদেন, অয়াতোল্লাহ খোমৈনি অমসুং এদোল্ফ হিটলর - মখোয় অহুমগী পূক্নিংগা, মহাত্মা গান্ধীগী পূক্নিংদুগা চাংদমন্দুনা শান্নরুই। মখোয় মীওইবা ঙাক্তনি। মীওইবগী পূক্নিংনি মখোয় খুদিংমক্তা লৈখিবা। মান্নদবা, তোখাইবা থৱায় পানবা মখল অমমমগী নত্তে।

অমুকসু খল্লকই - মী মরকসিদসু অঙাওবা মী হায়বা অমা লৈ, মী অতৈগুম হকচাং কায়াৎ অমত্তা চিংখদনা পানবা, থম্মোয়সু পানবা, পূক্নিংসু মথৌ তৌবা। অঙাওবা মী হায়বসিদসু মখল অনী থোক্লম্মী - মীনা করেম কথায়নদুনা লক্নবা, মী মরক্তা লৈহন্দবা অঙাওবা অমদি ঙাওদবা মী কয়াবু হোইদুনা পুবা ঙম্বা, মশীং থিঙমদ্রবা মীয়াম্বু মতুং ইন্দুনা চৎহনবা ঙম্বা, মাগী য়াথং অদুবু লাইমক্কী য়াথংনি খলহনবা ঙম্বা অঙাওবা। অদুগা অমরোমদা, লাইপোক্লুম্বা মীদুনা কনানসু মৱা লৌবীদ' অঙাওবগী পূক্নিংদুনা লৌবা ৱারেপকী মখা পোন্না হিংলিবা পুন্সি।

ওসামা বিন লাদেন - অল্লাহ'বু ঙাক শেন্নবা লৈরিবা, অল্লাহগী অশেঙবা লাল্লোয়শিংদুগী লুচিংবনি। অল্লাহ'গী অশেঙবা মনাইনি। মহাক্কী ৱা, মহাক্কী য়াথং খুদিংমক - জন্নৎতগী থারকপনি - থাজে মাগী তুংইনবশিং। অয়াতোল্লাহ খোমৈনি - কোরৌ নুমিৎ খুদিংগী কোরান পাই লেপ্তুনা। কোরানগী ৱাহে খুদিংমক হায়বা ঙম্মী চীংখদনা। মাগী মনাক নক্লুবা, মাগী ৱাহে তারুবা, তুংইনবশিং অদুনা থাজে মহাক থারকপনি অল্লাহমক্না জন্নৎতগী। মখোয়না তাইবঙদা লাক্লিবা ইস্লাম লাইনীং চেৎশিন্নবনি। মখোয়না মায় পাক্লুবা মীওইবা খুন্নাই য়াইফগনি। মখোয়গী য়াথং ইন্দ্রবা, মাঙ তাক্কনি মীওইবা, প্রলয় মশক ওইগনি। ইস্লামগী মায়োক্তা লৈবা খুদিং মীওইবগী য়েক্কবনি। অল্লাহ'বু থাজবা মখোয়তনা লাইরৈপাক্তা য়ৌগনি। কোরানগী ৱাহে খুদিংমক তাইবঙ শেম্বা মহাক্না হায়রম্ব'মক্তনি। অতৈ পাউজেল পূম্নমক চীরোল ৱাহে ঙাক্তনি। মখোয়না তৌরিবা খুদিংমক, ইস্লামগী চৎনলোন মতুং ইন্না অচুম্বা খোঙথাং ঙাক্তনি। অচুম অরান লেপ্পবা, লৈতে পাম্বৈ অতোপ্পা অমা, কোরানগী য়াথংনা অরোইবনি। কোরানগী মায়োক্তা লৈবশিং, কোরানবু করেম্নবশিং মঙক কক্তুনা হাৎপদু ইস্লামগীদি অচুম্বনি। কনাগুম্বা অমনা মহম্মদন ওইয়ু য়াদ্রবা মহাক অদু কান্নদ্রবা মীওইবনি। মুস্লমান অমা ওইনা হিংবা নত্তবা অতোপ্পা লাইনীং লম্বী অমা শাগোন্নন হিংবদগীদি শিখিবনা হেন্না ফৈ, শিরবা মতুং অফবা মপোক, মুসলিম অমা ওইনা অমুক নৌনা পোক্লুনবা। মুসলমান অমা ওইনা হিংবই ৱাখল পোকহনবা ঙমদ্রবা পূক্নিং, পূক্নিংদুবু শাগোন্নন থল্লিবা হকচাং অদুদি মাঙহনখিবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ। অদুগুম্বা মপোক অমা লোমহল্লিবা অদুসু ইস্লামগী অশেঙবা লাল্লোয় অমগী মখূত্তা লোমখিবদুসু য়াইফবা মপোক অমনি। পুন্সি লোমজখিবা মহাক্তুগীসু, পুন্সি লোমহল্লিবা মহাক্তুগীসু অফবই অফবা ঙাক্তনি। অমনা অমবু অফবা মপোক অমগীদমক মতেং পাংনরিবা মশেন'নি। পূক্নিংগী তোপ তোপ্পা মশক অমনি।

কেলিফোর্নিয়াদগী লম্বোইবী অমা (সিষ্টর জুদিথ বৌঘম), মফমদুগী কেথলিক চর্চ'না তাম্থোরকখি। অমুক হন্না চর্চ'তা খোঙ্গুল তাহনখিদে। মহাক্না কেলিফোর্নিয়াগী মরায়বক থীরবী, লায়রবী নুপীশিং, কনা লৈজদ্রবী, মচা-মৱানা মীরায়বীরবী নুপী লিশীং কয়াগী চঙফম অমা লীংখৎলম্মী। মপুন্সি চূপ্পা মখোয়গী থৌগলদা কখোক্লবীনি। মহাক্না চর্চকী য়াথং অমগী মায়োক্তা থবক অমখক তৌখি। মদুদি কেলিফোর্নিয়াদা ফোঙবা পাউচে অমগী এদবর্টাইজমেন্ট কলম'দা মশাগী খূৎয়েক পীদুনা এদবর্টাইজমেন্ট অমখক ফোঙখি। অঙাং য়েথবা (পামদবা অঙাং লৌথোকপা) হায়বসি মতমদুগী চর্চনা য়াদবা, ঈশ্বরগী অপাম্বগী মায়োক্তা তৌবা থবক অমনি লৌনরম্মী। অদুবু, থবক অদু মহাক য়াই, মীওইবগী য়াইফনবা তৌফদ্রবা থবক অমনি হায়না মশাগী খূৎয়েক পীথোক্তুনা পাউচেদুগী এদবর্টাইজমেন্ট'তা ফোঙদোকখি। মদুনা প্রমান ওইনা কেলিফোর্নিয়াগী মীয়ামদা খঙহনখি মদুদি, কেথলিক লম্বোইবী খুদিংমক 'এবোর্সন'গী মায়োক্তা লৈবা নত্তে। অঙাং য়াম্বা, মচা য়োকপা ঙমদবা নুপীশিংগী য়াইফনবা তৌরুবী 'জুদিথ' লাইশঙগী মপুশিংগী মীৎয়েংদা পাপি অমনি। মতাংসিদসু থোক্লককই - পূক্নিংগী তোঙানবা শক্লোন অনী।

অদুগা, অমরোমদা গান্ধী - অতোপ্পগী অৱাবদু মশামক্কী অৱাবনি হায়না লৌশিনবা ঙম্বা, মীনা মখজাই নাম্মদা খূপাক্না থারকপদা অতোপ্পদুসু অমুক থাবীয়ু হায়না লাম্থোকপা ঙম্বা, সমাজসিনা শোক্ল-পন্না য়াদবা তোল্ল-তারবনি খন্না ইম্থোক্লবশিংগী মরক্তা অহিং নুংথিল লৈমিন্নবা ঙম্বা, বৃটিশ-রুল্লর ভাইসিরোয়দুবু মফমদুদা মাগী নাক্তা কৌবা ঙম্বা, তুমীৎ অমা হাৎপসু মী অমা হাৎপগুম্বনি খঙবা, রাম রহিম অমত্তনি, কৃষ্ণ-অল্লাহ খেন্নদে হায়জবা মহাক্তুগী পূক্নিংসু পূক্নিংগী অতোপ্পা শক্লোন'নি। মীওইবগী পূক্নিংদই হেন্না ঙকপা লৈতে অমা অতোপ্পা।

পূক্নিংগী ৱা খল্লুবদনি ঐগী পূক্নিং লৈতাদ্রিবা।

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৫৮

**- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -**

মে ৮, ২০০৯:- ঙরাং অয়ুক তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী সাংরুংপাং খুন্দা বস এক্সিদেন্ট থোকপদগী শিখিবা মীওই পূন্না ৩২ শুরে।

ঙসি অয়ুক পূং ৯.৪৫ রোম তাবদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা এক্সিদেন্ট অসিদা অশোক অপন নংদুনা রিমস অমসুং শীজ হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরিবশিংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে। লোয়নননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমং অমদি অশোকপশিংদা লৈঙাক্না অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রে।

ঙরাং বস এক্সিদেন্ট থোকপদা থা ৮ তমক ঙাইরিবা অঙাং অমা য়াওনা পেসেঞ্জর ১২ শিখিবা অমসুং ৪০ হেন্না অশোক অপন নংখিবা অদুদা মণিপুরগী গভর্নর গুরবচন জগৎনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মে ৮:- হৌখিবা তাং ৬কী অয়ুক পূং ১০.৩০ রোম তাবদা পিশুম লম্বীগী খাগেমপল্লি হাইজিনফমদগী ইম্ফাল ইষ্টগী পুলিস কম্মান্দো পার্সনেলশিংনা ফাখি হায়না ককৱা নাওরেম লৈকায়দগী খ্বাইরাকপম মেঘ ঙসি অয়ুক পূং ১০.৩০ রোম তাবদা ৩১শুবা অসাম রাইফলসনা মোরে টাউন্দগী ফারগা পুলিসতা খুৎশিন্নরক্লে হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা থৌখিবা অমুবা মচুগী হোন্দা এক্তিভা অদু ৱার্কশোপ অমদগী পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়নননা অঙৌবা মচুগী রং কামশিল্লগ্লে হায়রি।

চৈরকসিদা, মেঘ ফাবগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোদা লৈবা রাইফলমেন অমগা কন্সটেবল অমগা ঙসি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং মে ১৬ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে। রাইফলমেন্দুগী মমিং দৌখোচুং তৌথাং (৩১), অপোকপা গীলখোথাং, য়াইঙংপোকপীদগী লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা লৈবা অমসুং কন্সটেবল লাঙ্গেল (২৬) অপোকপা পিয়াংথাং, ন্যু লমকা দোরগাস রোদতা লৈবনি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, ৱাহং পাউহং তৌরিবা পার্সনেল অনি অসিগী মচিন দগী মেঘনা থৌখিবা হোন্দা এক্তিভা অমুবদু ৱাক্সোপ অমদগী রং অঙৌবা কামশিল্লগা থন্নম্বদগী ফংলে হায়রি।

অদুদা নত্তনা হেলমেট অমা, চাইনানা শাবা মোবাইল হেন্দ সেট অনি, সোনি ইরিক্সনগী হেন্দ সেট অমা, এয়রতেলগী সিম অমা কেরিকা অহাংবা অমসু ফাগৎলে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, পুলিস কম্মান্দোনা ফাখ্রবা থিবা খঙদনা লৈরিবা কে ঐচ মেঘগী মতাংদা লংথবাল কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, ও জয়না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদা ৱারী পুম্বা লীদুনা ময়ূমদা তেক্তো কায়দনা হলহনবিরক্লবা তকশিনখ্রে হায়রি।

মহাক্না ইম্ফাল ইষ্টকী এস পিগা উনদুনা মেঘবু ফাবদা য়াওরিবা কম্মান্দোশিং অদু কৌরগা মশক তাকহনখি। কম্মান্দোদু নুমিত্তুদা মরু শীৎ নান্না কোকথোক্লমখি অমদি অমুক্তা উপ্তবা সনগ্লাস অমুবা অমসু উপ্লকখি হায়রি।

কম্মান্দোশিংনা ফিজম শেৎলগা নম্বর থাদবা গাড়ী শীজিন্নরগা লন্নাই নুংঙাইন্দবা মী ফারগা রেন্সম তানবা নত্রগা নুপী অঙাংগী মরমদা মী ফাবগী থৌওং চথরকপসি মীচমশিংদা য়াম্না খুদোং থীনিংঙাই ওইরক্লে। এস পি নত্রগা ও সী ফাওবনা মখোয়গী মখাদা লৈরিবা কম্মান্দোশিংনা করি তৌরিবগে খঙলমদবসি সুপরভাইজ অমদি কন্ট্রোল তৌবা ৱাৎলে তাকপনি। পুলিস কম্মান্দোশিংগী থৌওংসি য়াম্না কিনিংঙাই ওইরে। মরম চরিঙৈদা য়েংশিলহৌদ্রবদি মীচম মাঙবগী থৌদোক য়াম্না থোক্লকপা য়াই হায়নসু এম এল এ, ও জয়না মখা তানা হায়খি।

মে ৯:- ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোদা এটেচ তৌবা মণিপুর রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসকী পার্সনেল খরনা হৌখিবা তাং ৬ কী অয়ুক পূং ১০.৩০ রোম তাবদা ময়াই লম্বীগী খাগেমপল্লি হাইজিনফমদগী ফাদুনা পুখিবদগী লৈফম মরী মখোঙ খঙদনা লৈরক্লুবা মতুংদা ৩১শুবা অসাম রাইফলসনা মোরেদগী ফায় হায়দুনা সিবিল পুলিসতা শিন্নরকখিবা খ্বাইরাকপম মেঘ ঙসি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে। অমরোমদা, কম্মান্দো পার্সনেল খরনা খ্বাইরাকপম মেঘ ফারম্বদু মশাগী লন্নাই ইন্টরেষ্টনি, মদুদা এস পি, ও সী নত্রগা টিম কমান্দরগী অয়াবা অমতা য়াওখিদে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

মোরেদা লৈবা ৩১ শুবা অসাম রাইফলসনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা পি এল এনি হায়দুনা শিন্নরকখিবা খ্বাইরাকপম মেঘ ঙসি নুংথিল সী জে এম (চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট) চান্দেলদা পুথোক্লবা মতুংদা লাক্লিবা তাং ১৩ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখি। ৩১ শুবা অসাম রাইফলসনা মেঘবু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নরক্লুবসু কেসতি মোরে পুলিস ষ্টেসন্না লৌখৎপদগী মেঘবু মোরে পুলিসনা কোর্টতা পুথোকখি হায়রি।

এস পি, টি ঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি মহাক্কী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়খি, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মণিপুর রাইফলসকী দ্রাইভর অমসুং পুলিস কন্সটেবল অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোদা লৈবনি, গাড়ীদু কম্মান্দোগীনি হায়বদি চুমই। কম্মান্দোদা লৈবা অহানবা মণিপুর রাইফলগী দ্রাইভর দৌখোচুং তৌথাং মে ৬ কী নুংথিল পূং ৩ দগী কম্মান্দর বুমরগী মখাদা দ্যুটি লৈবনি। মহাক্না ওফিসতা লৈরিঙৈ বুলেট প্রুফকী গাড়ীদু ৱার্কশোপতা টেম্পরেচর চেক তৌরুনি হায়দুনা পুরম্বনি। অদুগা মরন্নাই ইন্টরেষ্টতা মেঘবু ফারম্বনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা মশক তাকপদগী দ্রাইভর দৌখোচুং অমসুং কন্সটেবল থাঙাং লেঙেনবু ফারগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা শিন্নখি। মখোয় অনিগা লোয়নরম্বা মেঘগা হেক য়ূমলোন্নবদা লৈবা সনাথোই (গুলি চাবা) অমসুং নাওরেম লৈকায়দগী সোরেনশাংবম শান্তিকুমার কৌবা মীওই অনিসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা শিনখ্রে। মেঘবু ফাবা নুমিত্তুদা সনাথোইনা জোরো শাই হায়না এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মখোয়গী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারিসু চত্থবা হৌরে। কনষ্টেবল থাঙাং লেঙেনদি থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরে। দ্রাইভর দৌখোদুংসু অহানবা মণিপুর রাইফলগী কম্মান্দেন্টনা সস্পেন্দ তৌরবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, মেঘ ফাবদা লৌতুনবা য়াওবনি হায়বা কৈবুং ওইনাম লৈকায়দগী লাইথাংবম সনাথোই (২৬) অপোকপগী মিং ইবোয়াইমা অমসুং সোরেনশংবম শান্তিকুমার (২৮) অপোকপগী মিং নিলো, শীংজমৈ পুলিসনা ঙসি কোর্টতা পুথোক্লগা থা অসিগী ১৬ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

মে ৯:- ইম্ফাল ইষ্টকী কম্মান্দোশিংনা ফাখ্রগা থিবা ফংদনা লৈরকখিবা ককৱা লিৱা লম্বীদগী কে ঐচ মেঘ অসাম রাইফলসনা থাদোরকখিবা থৌওং অদু 'কু' দগী শৎহৌবগা চপ মান্নে হায়না এম এল এ, ও জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ইচম চম্না য়োৎ শুরগা হিংজবা মেঘ খাগেমপল্লি য়ৌরগা কে সী পিনি হায়না কম্মান্দোশিংনা ফাখি। লোয়নননা অসাম রাইফলতনা পি এল এগী কাদরনি হায়দুনা শিন্নরম্মী।

পব্লিক ওর্গনাইজেসনশিংগী খোল্লাউ, মীয়ামগী প্রেসর অমসুং মণিপুর পুলিসকী মতেংনা মেঘ অসি কনবা ঙমখিবনি। নত্রবদি মহাক শিনা ফংলমগনি। কম্মান্দোশিং অসিনা হৌজিক তৌরিবা মতৌ অসি মী ফাবদা নত্তনা লন থুম মুনবগী থবক চত্থরে।

মে ১০:- ৱাথোক ওইরিবা ককৱা নাওরেম লৈকায়দগী মেঘ ফাবগী থৌদোক্তা য়াওবনি হায়বা অমদি হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা সোরেনশংবম শান্তিকুমার কৌবা মীওই অমগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়োনফম্নি হায়বা শঙ অমা মীয়াম্না ঙসি থুগায়খ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পূং ৯ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা থোকখিবনি।

মে ১১:- ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক মনুংদা মশক খঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা মীওই ৫ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

থৌদোক অদুগী মতুংদা খোর্দাক অৱাং লৈকায়দগী খুঙ্গাশিং কিবদগী ময়ূম ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে।

মফম অদুদা শকখঙদবা মীওইশিংনা মীওই ৯ হাৎলম্লে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফালদগী পাউমী টিম অমনা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা অশিবা হকচাং ৫ থেংনরকখিবনি। য়েংবদা নন-মণিপুরী মানবা মীওইশিং অদু খুৎ তুংবুন্নে।

মে ১২:- ঙরাং কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক মনুংদা মশক খঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা অমদি থাঙনা য়ান্দুনা হাৎলমখিবা মীওই মঙাগী হকচাংদু মশক খঙলবসু, হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই অহুমগী হকচাং ফংদ্রিবা ফাওবা লৌখিরোই হায়দুনা রিমস মোর্গতা থম্লি।

ঙসি মশক মমিং খঙখ্রবশিং অদুদি এম দি আবল লাস্কর (১৬) অপোকপা এম দি অহমদ আলি বাসখান্দি ভিলেজ লক্ষিপুর সিলচর, য়ু পিগী ইকবাল খান (২৩) অপোকপা অনৱার খান, এম দি উমর (২৩) অপোকপা নলুখান এম দি হনিব (২৪) অপোকপা জুনাব খান অমসুং এম দি রসিদ আলি (১৮) অপোকপা ফারুখনি। মখোয় মিনুথোং হট্টাদা ভারাদা লৈবনি।

ঙরাং খুৎলাই পায়বশিং অদুগী মখুৎতগী মীওই অমদি নাম্থোক্তুনা চেল্লকখি। মহাক্কী মমিং ববুলু এলাইজ মহমদ ইরসাদ (২৬) অপোকপা মু: হবিব কৌই, য়ু পিগী বুনুসর কলাকসরদগীনি। মহাক ঙসি অয়ুক পূং ১০ রোম তাবদা মিনুথোং হাট্টাদা লৈবা ভারাগী য়ূমদা থুংলখিবনি।

হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই অহুমদুনা য়ু পি বুলুনসরদগী মহমদ সফিক (২৭) অপোকপা মু: ফরুক, মু: ববুলু এলাইজ টিঙ্কল (২৩) অপোকপা গুলাম নবি অমসুং এমদি মুবিন (২০) অপোকপা কনুৱাগাদরনি হায়রি।

লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মখোয় ১৪ ঙরাং অয়ুক পূং ৫ রোম তাবদা মহৌশাগুম মোইরাং মায়কৈদা বেদকোভর য়োনবা চৎখিবনি। মখোয় ১৪ গী মনুংদা ৫ না কুম্বী মায়কৈদা য়োনবা চৎলি। মখোয় মঙাদুদি ঙরাং নুংথিল মখোয়গী লৈফম হট্টাদা হল্লকখি হায়রি।

ঙসি অয়ুক খুৎলাই পায়বশিংগী খুৎতগী নাম্থোক্তুনা চেল্লকখিবা মহমদ ইরসাদ ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোনা মখোয়গী গাড়ীদা হাপ্তুনা নোংমাইখোং মায়কৈরোমদা পুদুনা মখোয়গী ফাফম তাকহনখি অমদি থিবা খঙদ্রিবা হকচাংশিংগী খোঙ্গুল লীবগী থবক চত্থখি হায়রি। মখা তানা থিবগী থবক চত্থখিবদু এস পি বিষ্ণুপুরনা লুচিংখি হায়রি।

মে ১৩:- শিংজমৈ লিৱা লম্বীদগী মেঘ এলাইজ দোল্লর ঙসি কোর্টনা বেলদা থাদোরকখ্রে। মহাক থাদোরক্লুবসু আইনগী ওইবা খোঙজংদি হনবা লৈতনা চঙশিনখিগনি হায়না এম এল এ, ও জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পূং ১.১৫ রোম তাবদা সী জে এম চান্দেলগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা মেঘ লুপা লিশিং ১০গী সিওরিটি বোন্দদা থাদোরকখিবনি।

ঙসি বেলদা থাদোরক্লবা মতুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা মেঘনা হায়, নুমিৎ অদুদা মহাকপু খাগেমপল্লিদগী ইম্ফাল ইষ্টকী পুলিস পার্সনেল খরনা ফাদুনা পুবা অদুদা গাড়ী মনুংদা মহাক্কী লৈকায়দগী মীওই অমা য়াওরমখি। মতুংদা লম্বীদা মহাক্না খঙনবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিস পার্সনেল খরা থেংনরমখি। মতুং ইকান কান্নদনা মহাকপু মমিৎ পুনশিল্লগা মফম কয়াদা পুখি। পুংখাই অমরোম লৈরগা মহাকপু মফম অমদগী হীন্দি ঙাঙবা মীওই কাংলুপ অমনা পূং ৪ রোম গাড়ী থৌরগা পুখি। মহাক ফাজিল্লিঙৈ মনুংদা হিন্দি ঙাঙবা পার্সনেল খরনা ফুবগা লোয়নননা মহাকপু হাৎলনি হায়বা ফাওবা হায়রকখি। পুলিসতা শিন্নরক্লবা মতুং খক্তদা মহাক্কী মমিৎ হাঙদোকখি।